## ড্রাইভর থিবা খঙদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): পুখাউ খাবম অৱাং লৈকায়দগী টাটা দি আই ড্রাইভর অমা সেকমাইদা শীং থাহরগা হল্লকপগী লম্বীদা লম্প্লোং থোং ময়াদা মহাক্কা খঙবনা মীওই অমনা ফোন তৌরকপদগী দি আইদগী কুমথরগা কার অমদা মীওই খরগা তোলগা চংখিবদগী থিবা খঙবনা লৈরে হায়না ড্রাইভর অদুগী ময়াম্না এস সঙ্গয়না ফোঙদোকপ্লে। হীরম অসিগী মতাংদা পুলিসনসু ৱাকখ্রে।

## লম্বী শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): থ্বারোক মহাদেৱকী অনৌবা লাইশঙ হয়েং শঙ্কাগদৌরিবা থৌরমগী মাঙওইনা থ্বারোক মহাদেৱ লাইশঙগী অকোয়বা অমদি পেচি মায়কৈ থংবা লম্বীশিং শিং শেংখ্রে হায়না পেচি য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবনা থাদোরকপা ফোঙদোকখ্রে। ক্লব অসিনা ঙসি সোসল সার্ভিস তৌখিবদা শরুক য়াখিবা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। থ্বারোক মহাদেব কম্মিটিগী মায়কৈদগীসু লাইট রিফ্রেশমেন্ট পীবগীদমক থাগৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## রেলৱেগী লেব ...

*লামায় ১গী মখা...* ট্রেনী এঞ্জিনিয়র অমসু য়াওই হায়রি। খূৎলায় পায়বশিং অদু কুকি মিলিটেন্ট ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মখোয়না হিন্দুষ্টান কনষ্ট্রক্সন কম্পেনি লিমিটেদকী শিন্মী অনী অদু ফাখিবগী খোঙ্গুল লীবগী থবক হৌজিক অসাম রাইফলস অমদি সপরমৈনা পুলিসনা পূন্না থি-হুন্বা চথরি। অদুবু চপ চাবদি খঙবা ঙমদ্রি। মীওই অনী ফাখিবদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদি মখোয়গী থাদোকমল হায়রকপা লৈত্রি হায়রি। মখা তানা মখোয়গী খোঙ্গুল লীবগী থবক চথরি হায়রি।

## দব্লিয়ু ৱাই ...

*লামায় ১গী মখা...* মদুগী ভেল্যুনা লোকল মার্কেটতা লুপা লাখ ৮ নি। অমুবা মচুগী আর-ন্যু-ষ্টার স্কুটর অমা, শেল ওইনা লুপা ১,১৭০, থোংপাও কিপগেনগী আধার কার্দ অমা য়াওনা অতৈ চে-চাং খরগা লোয়ননা ফাগৎপা ঙমখি। মহাকপু মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক নাব পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## GAS TODAY

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto:25/11/2017
Valid From:15/11/2017
***Stk : 612 (CTC)***
Timing:07.00am to 10.30am
*(Submit Aadhaar Xerox)*

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
Booking Upto:23/11/2017
Valid From:16/11/2017
***Stk :306***
*(Aadhar Link Consumers Only)*
Timing:07.30am to 10.30am

**JEMON GAS SERVICE CHINGAMATHAK**
**Sl. No. 41940**
Booking Upto:12/11/2017
Valid From:27/10/2017
***Stk:612***
Timing:07.00am to 09.30am

**K & K INDANE SERVICE**
**Sl No. Upto : 100**
Booking Upto:04/12/2017
Valid From:26/11/2017
***Stk:612***
Timing:07.30am to 11.00am
*(First Come First Serve)*

**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
Booking Upto:29/11/2017
Valid From:16/11/2017
***Stk: 612 (CTC)***
Timing:07.30am to 11.00am

**LAMBODARA INDANE**
Booking Upto:07/12/2017
Valid From:05/12/2017
***Stk: 306***
Timing:07.30am to 10.00am

**MAHALAKSMI INDANE**
**Sl. No. 203410**
Booking Upto:28/11/2017
Valid From:14/11/2017
***Stk: 306***
Timing:07.30am to 10.30am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL.NO. 6231-6670**
Booking Upto:20/11/2017
Valid From:16/11/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:15/11/2017
Valid From:09/11/2017
***Stk: 612(DBTL)***
Timing:07.30am to 09.30am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:07/12/2017
Valid From:06/12/2017
***Stk:306***
***(only for CTC & DNSC)***
Timing:10.00am to 01.00pm

**RBD INDANE SERVICE**
Booking Upto:23/11/2017
Valid From:05/11/2017
***Stk:612***
Timing:07.00am to 11.00am

**J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto:03/12/2017
Valid FrAom:29/11/2017
***Stk:306***
Timing:07.00am to 10.00am

# কাঙলোন চুম্না স্কুল চলাইদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা মহৈরোয় খুন্নাই ওইহনবদা থৌদাং লৌবীয়ু

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা প্রাইভেট স্কুল তৌরিবা ওজাশিংনসু পুকচেল শেংনা অমদি কাঙলোন চুম্না স্কুল চলাইদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা ওইবদা থৌদাং লৌবীয়ু হায়না রিকগ্নাইজ্দ স্কুলস ফ্রন্ট (আর এস এফ)কী প্রেসিদেন্ট জোল্সন লুৱাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলদা অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)গী চ্যেরমেন লক্ষ্মীকুমারনা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা মতুং লৈঙাক্লা হৌজিক চীফ মিনিষ্টরগী পি এস ওইরিবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি বিনিদ জোসিনা চ্যেরমেন ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরি। বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামগী মতম লেপখ্রবা ফাওবা বোসেমগী তং তাবা চোরমেন লৈতবা হায়বসি মহৈরোয় খুন্নাইগী লাইবক থীবনি।

মহৈরোয় হায়বসি তুংগী যুগ্মইরেলনি হায়রগা বোসেমগী চ্যেরমেন ফাওবা লৈতবা হায়বসি লাইবক থীবনি। লৈঙাক অসিগীসু ঈকায়নিংঙাইনি। অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙদুনা বোসেমগী চোরমেন থম্বিয়ু। মসি নৎত্রবদি মহৈরোয়শিংগী পুন্সি করি ওইগনি খল্লুবদা আর এস এফনা ৱাদবা ঙমদে।

দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টরনা থা অসিগী ৫দা থোকখিবা ওর্দরগী মতুং ইন্না মণিপুরদা লৈবা অনরিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুল খূদিংমক থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা জেদ ঈ ওগী খুথাংদা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা থবক পুন্নমক তৌনবা খঙহনখ্রে। অনরিকগ্নাইজ স্কুল খূদিংমক এদমিসন লৌদনবসু খঙহনখি। জেদ ঈ ও জোন থ্রি যৌথাবালনা কোনবদা লৈবা ইষ্টর্ন ব্লুমিং ফ্লাৱর স্কুল উখোংশং অসি কুমজা ২০০১দা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টরনা রিকগ্নাইজ পীরবা মতুং বোসেমগী সেক্রেটরিনা কুমজা ২০০৫গী দিসেম্বরদা ক্লাস টেন ফাওবগী অয়াবা পীরবা মতুং কুমজা ২০০৭তা সেক্রেটরিনা ক্লাস টেন ফাওবগী রিকগ্নাইজ পীখি।

বোসেমগী এক্ট অমদি কন্দিসনগী মতুং ইন্না স্কুল অসিদা লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, লাইব্রেরী, প্লে গ্রাউন্দ অসিনচিংবা মতিক চানা লৈরবা মতমদা রিকগ্নাইজ পীগদবনি। লাইবক থীবদি স্কুল অসি ফাউন্দরগী য়ুমদা ওইবতা নত্তনা নুপী-নুপাগী টোইলেট ফাওবা পুল্লমখি। হেয়া ওক্লিবদি স্কুল অসি বোসেমগী করম্না চৎন-কাঙলোননা মখাদা রিকগ্নাইজ তৌরিবনো? মহৈরোয় খুন্নাইদীমক লৈরিবা বোসেমগী ওফিসতসু অরানবা তৌবা লৈরক্লা খঙদবা ঙমদে। মণিপুরদা প্রাইভেট স্কুল তৌরিবা ওজাশিংনসু পুকচেল শেংনা অমদি কাঙলোন চুম্না স্কুল চলাইদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা ওইবদা থৌদাং লৌবীয়ু। আর এস এফনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# আই এম সীগী ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক লেপখিবদগী মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল মুনিসিপাল ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়ন (আই এম ঈ য়ু) না মখোয়গী থবক লেপ্পগী খোঙজং চথখিবদগী মহৈরোয়শিংনা মীং চনবদা মখোই তাবা বর্থ সর্টিফিকেট পীবা লেপখিবদগী হৌজিক মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

থা অসিগী ১১ দগী ইম্ফাল মুনিসিপাল ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়ননা মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিন্নদুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসি চথরকপনি। ঙসি ৯ নি শুবা নুমিৎতা আই এম সীগী গেটতা ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক লেপ্পগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম চথখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা ইম্ফাল মুনিসিপাল ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়নগী এদভাইজর থৌদাম সোবিতানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা আই এম সীগী রেগ্যুলর ইমপ্লোয়ী ২৩০ রোম লৈ। হায়রিবা ইমপ্লোয়ীশিং অসিগী মণিপুর লৈঙাক্তা মখোয়গী তরুকশুবা পে পীবীনবা মমাঙদা হায়জখিবা ডিমান্দ অদু য়াবিদুনা ওর্দর থোকপ্লে। অদুবু ঙসি ফাওবা য়ুনিয়নগী শিম্মীশিংনা তরুকশুবা পে পীবীদনা লৈরি। মসিদা নত্তনা হান্না মঙাশুবা পে ফাওবা মমাঙ চহীগী মেদগীনা দিসেম্বর ফাওবা পীবীদনা লৈরি। থা নিপান তোলোপ ফংদ্রবা ইমুং অমনা ওইরমগদবা অৱাবা পোংলুম অদু লৈঙাক্লা খঙবীরমগনি। ইমপ্লোয়ীশিংগী মচা-মশু লাইরিক তম্বা, মীং চাবা, লৈকাইগী লাইনিং-লাইশোল অমদি পোৎয়েংনচিংবা পীনবা হোংনবদা কোজা খুং হায়রে হায়রি।

মরম অদুনা অথুবা মতমদা থা নিপান পীথোক্তনা লৈরিবা তোলোপ অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীবীনবা অপীল তৌরি। হৌজিক ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চথখিবদগী বর্থ সর্টিফিকেট পীদ্রে, দেথ সর্টিফিকেটসু পীদ্রে। বিল্ডিং কনষ্ট্রক্সন সর্টিফিকেট ইম্প্রুভমেন্ট অদুসু পীদনা লৈরি।

অমরোমদা জিরি, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচিং, মোইরাং, ময়াং ইম্ফাল, নম্বোল অমদি নিংথৌখোংনচিংবা ম্যুসিপনালিটি থৌমীশিংদি তরুকশুবা পে অসি ফংলে। থা অসিগী ২১ ফাওবদা ইম্ফাল মুনিসিপাল ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়নগী পীফম থোকপা ডিমান্দশিং অসি পীবীদ্রবদি থা অসিগী ২২ দগী ওফিস অসিগী শিম্মীশিংনা ওফিস কেম্পসতা লৈরিবসি তাঙ্খোকপগী থবক চথবা হৌরগনি হায়রি।

মরকসিদা ঙসি আই এম সীগী ওফিসতা বর্থ সর্টিফিকেট লৌবা লাকপা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা হঙদবগী চহী হৌরকপগী মহৈরোয় কয়া লাইরিক তন্দবা চঙবা বর্থ সর্টিফিকেট লৌবা লাক্লবা মতম অসিদা সীল ৱার্কষ্ট্রাইক চৎরি হায়দুনা সর্টিফিকেট পীবিদ্রে। বর্থ সর্টিফিকেট য়াওদ্রবদি মীং চনবগী ফোর্মসু থাজিনবসু স্কুল ওইথোরিটিনা লৌদ্রে। মীং চনবসু য়াদ্রে। মরম অদুনা অঙাংশিং চহী মাঙলগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লরে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ী যুনিয়ন অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা পুন্না ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরক্তুনা মহৈরোয়শিংগী অৱাবসি কোকহনবীয়ু হায়রি।

# 'দিঙ্গোবু করিগীদমক য়াইতোং খমদোংবশিংনা কল্লগা থল্লিবনো'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) :

নুপী অমবু নমথাক তৌবগী ৱাকৎকা মরী লৈনবা চার্জ সীট পুলিসনা থাগত্তবগী মতাংদা ঙরাং থাংমৈবন্দ অপুনবা লূপনা শীন্দুনা থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দগী মায়োক্লবদা লৈবা লম্বীদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী থাংমৈবন্দ অপুনবা লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট কাব্রাবম ওংবী মঙ্গীসনানা পাউমীশিংদা হায়খি, এম এল এ দিঙ্গোবু য়াইতোং খমদোংবশিংনা করিগী কনগৎলগা থল্লিবনো? নুপী অমবু লুহোংগনি হায়দুনা মঙ্গোন কাদুনা হৈজিং খরাই পুরবা মতুংদা হুন্দোকপগী মতাং অসিদা ঙসি ফাওবা চার্জ সীট থাগৎতনা লৈরক্লি। চীফ মিনিষ্টরগসু কয়ারক উনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর চীংদা চত্তুনা অৱা নুংঙাই কয়া হংলিবসি থাগৎনিংঙাইনি। চীংদা চৎলগা হংলিবা অসুম্না তম্পাক্তসু ইমা ময়াম্না হৌরিবা অমদি মরাইবক থীরিবী নুপী অদুদসু হংবীবা য়াই। মরাইবক থীরবী অমগী ফীভমদা হংবিরিবসি মমাশিংনা নুংঙাইবা নত্তে। নুপী ময়াম্না দিমান্দ তৌরিবসি অচুম্বা পুথোক্লবনি।

নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদদি চৈরাক কনবা মরম্না কনামত্তনা অরানবা তৌবা ঙমদ্রিবনি। মপি-মপা অমা ওইবগী ৱাকৎফম থোকই হায়দুনা ৱাকৎপনি। ঙসি ফাওবদা থওইদনা লৈবা হায়বসি লৈঙাক লৈবগী ৱাহন্থোক লৈতবগা চপ মান্নে।

এম এল এ অসিবু য়াইতোং খমদোংবনা কল্লগা থল্লি। ওক্টোবর, নবেম্বর অমদি দিসেম্বরদা দি জি অমদি এস পি উনদুনা চার্জ সীট থাগৎনবা তক্কন্দুনা লাক্লি। জন্যুৱারী ১৫দা লাকউহায়রকপদগী এস পিগী মনাক্তা চৎলুবদা লৈরমদ্রে। এদিসনেল এস পি উনদুনা পুং ১ লৈরবা মতুংদা এস পি লাক্লগা অমুক তাবা য়াদবা ৱা কয়া হায়রে। ফেব্রুৱারীগী অহানবা চয়োলদা লাকউ হায়রিবসি য়াবা ঙল্লোই। অথুবা মতমদা চার্জ সীট থাগৎতবা তারবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। নুপীনা লাল্লম্লবসু নুপানা লাল্লম্লবসু অরানবা মীদু চৈরাক ফংহল্লু হায়বনি।

ফোরেন্সিক কোলকাটাদা থানবা তৌরিবা হায়বা কয়াদা মতম মাঙহন্দুনা থম্বা য়ারোই। অথুবদা চার্জ সীট থাগৎত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজংগীদমক শেম শাবা লোইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# কচাইগী খুঞ্জাশিংনা চম্প্রা অমদি ফৌ মপুং ওইনা থানরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) :

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কচাই খুলগী খুঞ্জাশিংনা চম্প্রা অমদি ফৌবু মরুওইবা ক্রোপ ওইনা থানরি।

কচাই খুলগী হেদমেন খামসং আর সিমরেনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, কচাই চম্প্রাগীদমক থোইদোক হেনে দাক্লা মমিং চৎপা মফম অমা ওইরি। কচাই ভীলেজ অসি উখ্রুল টাউনদগী কিলোমিটর ৪৭ লোম চৎলগা লৈ। ইম্ফাল সিটিদগীনা কিলোমিটর ১৩০ রোম চৎলগা লৈ।

কচাইদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা চম্প্রা হৌদুনা লাকখি। চম্প্রাদা হীদাক কান্নবা মচাক কয়া য়াওরি। ব্লদ প্রেসর, গেষ্ট্রিক, দ্রাই স্কল্লনচিংবা কয়াদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নে। সাপোন শাবদসু চম্প্রা অসি মপুং ওইনা শীজিন্নে।

কচাইগী খুঞ্জাশিংনা মপুং ওইনা চম্প্রা অমদি ফৌ মরুওইবা ক্রোপ ওইনা থানৈ। চানবা মনা-মশিং মখল কয়াসু অদুমক থানৈ। চম্প্রা কল্টিভেসনগী থবক অসি জুন থাদগী হৌই। চম্প্রা পান্বীদা তিন তাবনচিংবা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক এক্সপার্টশিংনা খুঞ্জাশিংনা তাকপীয়ু। মদু ওইরবদি চম্প্রাগী পোথোক অসি হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। ওর্গানিক ওইবা মওংদা চম্প্রা পুথোকপা ঙমগনি।

হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি এন জি ও কয়ানা মিসন অমগা লোয়ননা ওর্গানিক ওইবা লেমন পুথোক্লবা মীৎয়েং চঙলক্লিবা কয়া অসি থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ওর্গানিক ওইবা চম্প্রা অমদি মনা-মশিং কয়া পুথোক-পগীদমক কচাইগী খুঞ্জাশিংনা নুংঙাইজবা অমদি চাউথোকচবা ফাওই। খুল অসিদা পুথোক্লিবা চম্প্রা কয়া সঞ্জেন্থোংদা হাংবা ওর্গানিক আউটলেটতসু য়োনগনি।

তরামরিশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কচাই লেমন ফেষ্টিবেল হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হৌদোকখ্রে। অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসিদা মিনিষ্টরনা শরুক য়াবসি নুংঙাইবা ফাওই। ষ্টেট লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীরকপগা লোয়ননা চম্প্রাগী পোথোক হেনগৎহন্দুনা ইনকম হেনগৎলক্কনি থাজে।

ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎ-অপা কয়া লৈবা, ট্রান্সপোর্ট অমদি কম্যুনিকেসনগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিগী মরক্তা খুঞ্জাশিংনা থবক কন্না শুদুনা হিংনবগী পূন্সিরোল ফগৎহন্নবা হোৎনরি। কচাই খুলগী খুঞ্জাশিংগী ইনকম লাক্লবগী মরুওইবা সোর্স অসি চম্প্রা থাবা অমদি লৌউ-শিংউগী থবক্লা ওইরি।

# য়ুনিয়ন : জন্যুৱারী ২২দগী ওফিসার অমসুং ইলেক্টেদশিং চঙহল্লরোই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ পীথোকপীয়ু অমদি অমসুং ৬শুবা পে চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দ অসি থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙলত্ত্রবদি জন্যুৱারী ২২দগী ওফিসার অমদি ইলেক্টেদশিং য়াওনা আই এম সী কমপ্লেক্সতা চঙহল্লরোই হায়না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়নগী এদভাইজর ফুরিৎশাবম চাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ষ্ট্রাইক্তা শরুক য়ারিবা য়ুনিয়ন অসিগী এদভাইজর চাওবনা হায়খি, এপ্রিল থাদগী ঙসি ফাওবা তোলোব ফংদবদগী থা অসিগী ১১দগী খোঙজং চঙশিল্লকপনি। থা ৯ তোলোপ ফংদবা হায়বসি ইশা ইশু শেম্বা অমদি থৌদোক ৱাথোক অমসুং ইমুংগী লৈতা লায়র কয়াদা অৱাবা মায়োক্লরি। ঙসি ফাওবদা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী রেস্পোন্স অমত্তা ফংদবা হায়বসি লাইবক থীবনি।

মেয়র অমদি কম্মিস্নারশিং ফল্লি। মখোয়গীদি ওনরেরিয়মনি। মখোয়গী ওইনদি অমত্তা তোন্দে। ষ্ট্রাইক তৌরিবশিং অসি রেগ্যুলর পোষ্ট ঙাক্তনি। ইমপ্লোয়ীশিংনা অৱাবা মায়োক্লরি। হান্না ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল মাপন লৈরম্বদগী হৌজিক্লা ২৭ শুরে। মাপনগী মনুংদা আই এম সী লৈরিবসিদা এমজেল য়াওদনা পীথোকখ্রে। হৌজিক পীদ্রিবসি আই এম সী খক্তা ঙাইরে। ঐখোয়গীনা এমজেল পীরকউ হায়দুনা লৈরে।

ওথোরিটিনা মতম খরা ঙাইনবা হায়বিফম থোকই। অতৈ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগীনা এমজেল য়াওদনা পীখ্রগা ঐখোয়গীনা এমজেলদা তায়নদুনা লৈরে। মেয়র অমসুং কম্মিস্নার লৈরি। মখোয়গী ওথোরিটিনিনা য়াইবীবা য়াই। জন্যুৱারী ২১গী ফাওবগী মনুংদা রেস্পোন্স পীরক্তবা তারবদি জন্যুৱারী ২২দগী আই এম সী থোঙ লোল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ৱাংজিং হায় স্কুলগী অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনবীনবা অপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) :

অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পান্দমদা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব ক্লব ৱাংজিংনা চত্থরকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা ৱাংজিং হায় স্কুলদা য়েংশিনবা চৎলুবদা অৱাৎ-অপা কয়ামরুম লৈরম্বা থেংনরে হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, স্কুল অসিদা ওজা ১২ লৈরম্বদা হন্দক সেসন হৌরকপগা ওজা মরি ট্রান্সফর তৌখ্রে। লেমহৌরিবা ওজা নিপানগী মনুংদা ওজা অমা জন্যুৱারী থা অসিদা রিটয়ার্দ তৌরগনি। স্কুল অসিগী গ্রেদ ফোর অমা লৈ। চৌকিদার লৈতে। ক্লাস রুম, টোইলেট, ফেন্সিং মতিক চানা লৈতে। স্কুল অসিগী হেদমাষ্টরনা মশাগী পোকেটতা শেল পুথোক্তুনা স্কুল অসিগী চৌকিদার অমা থাগী লুপা ৫,০০০ পীদুনা স্কুল অসিবু য়েংশিন্নবা থমহৌরি। ওজা তরেৎ খক্তনা মহৈরোয় ২৫০ লৈবা স্কুল অমা মতৌ করম্না চলাইগনি হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি।

## এরোপ্লেন কাইরমগদৌরে ...

*লামায় ১গী মখা...* শাংনা পেসেঞ্জরশিং অদু ফ্লাইট মনুংদা লেংদনা লৈহনখি অমসুং ইম্ফাল য়ৌনবগীদমক গুৱাহাটিতগী পেসেঞ্জর অমত্তা কাখৎলকখিদে হায়রি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়, নুংথিলগী পুং ৪ রোম তাবদা প্লেন অদু উচেক অমনা থোমজিনবদগী সিক্যুরিটি রিজন্দা পাইবা য়াদ্রে হায়বা খঙহল্লকখিবনি। অতোপ্পা ফ্লাইট শিল-লাংদুনা ইম্ফাল তন্না চৎনবগী খুদোংচাবসু লৈত্রে হায়না পেসেঞ্জরশিংদা ফোঙদোরকখি।

গুৱাহাটিদা অহিং য়ারেক্তুনা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা পাউচে অসিদা হায়, শেম্বীবা মপুনা থৌজানবিবদগী পেসেঞ্জরশিং অমসুং মহাক শোয় ঙামদনা লেন্দিং তৌবা ঙমখি। মসিগীদমক শেম্বীবা মপু অমসুং ফ্লাইট অদুগী পাইলোট অমসুং ক্রু মেম্বরশিংবু থাগৎচরি। অদুমকপু ওথোরিটিনা ফ্লাইট অদুগী পেসেঞ্জরশিংদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ৱাফম অমত্তা হায়খিদবা অদুগীদমক্তদি নুংঙাইতবা পোকই হায়রি।

## এস বি আইনা হকচাংগী ...

*লামায় ১গী মখা...* উনদনা মহাক য়াম্না ৱানা বেঙ্ক অদুদগী হল্লকখি।

জন্যুৱারীগী থাখায় য়ৌরকপা মতমদা এ টি এম কার্দ অদু পোষ্টতা লাক্তবদগী মহাক্কী লৈকায়দা পোষ্টমেন ওইবা নুপামচা অমদা ফোন তৌদুনা মহাক্কী কন্সাইনমেন্ট লাকপ্রা হায়না হংখি। অদুবু মহাক্কী ওইবা পোৎশক অমত্তা লাক্তে, কন্সাইনমেন্ট নম্বর অদু বেঙ্ক অদুদা লৈরমগনি, মী অমা থারগা নম্বরদু হংলগদি পোষ্ট ওফিসতা লৈব্রা হায়বা থিদোক্কে হায়না খঙহল্লকখি হায়রি।

মহাক্কী ৱাফম অদুগী মতুং ইন্না লৈকায়গী নুপামচা অমা অমুক থাদুনা এস বি আইদা কন্সাইনমেন্ট নম্বর অদু হংহল্লুই। অদুবু বেঙ্ককী ইমপ্লোয়ী অমনা মহাক্কী কন্সাইনমেন্ট নম্বর অদু লাক্তে, হান্নগী চে-চাংশিং অদু নত্তবা অনৌবা চে-চাং অমা অমুক পীশিন্নবা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবী মহাকপু অমুক হন্না লাক্কদবনি হায়না খঙহল্লকখি। পাউ অদু তাবদা মহাক থম্মোয় শোকখি হায়না পাউদমখি।

মহাক্লা হায়খি, ঐহাক অমুক হন্না বেঙ্ক অদুদা চৎলরোই অমসুং এ টি এম অনৌবা অমা পীয়ু হায়ররোই। মহাক্লা বেঙ্ক অদুদা চৎনবা হোৎনবদা থেংনরিবা অৱাবশিং অদু ইমপ্লোয়ীশিং অদুদা খজিক ফাওবা মমি তাদবসি খমথেংনা নুংঙাইতে। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কুম্বা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংবু নুংশিবীরি অমসুং ঐখোয়গী অৱাবদা মতেং পাংগনি হায়না লাউথোকপীখ্রগা এস বি আইগী ইমপ্লোয়ীশিংনা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা ঐখোয়বু হঞ্জিন হঞ্জিন অৱাবা পীবিরিবসি নুংঙাইতে।

নাম্মা শোয়রবা, মীমান্নদ্রবা ঐখোয়গুম্বগী য়েংলগা বেঙ্কশিংনা মখোয়গী ষ্টাফ অমা গ্রাউন্দ ফ্লোরদা থম্লগসু অৱাবশিং অসি খরমখৈ কোক্লমগদবনি। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা বেঙ্কশিং অসিদি হ্বিলচ্যেরগী মতেং লৌবা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংনা ওফিস মনুংদা চৎপা য়ানবা রেম্প হাপ্তে। ঐগুম্বা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওই কয়ানা থেংনরমগদবা অৱাবশিং অমসুং বেঙ্ক অসিগী ষ্টাফশিংনা ঐখোয়বু থওইবিখিদবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং এস বি আইগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ওফিসলদা ৱাকৎলগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা হায়রি।

## ইন্দিয়া-ম্যান্মার ওথোরিটিনা ...

*লামায় ১গী মখা...* মতম শাংনা শিৎ শেংদবনা মরম ওইরদুনা নাপি-শিংবীশিং ৱাংখৎলকপনা লৈবাক অনীদা পীরিবা খুচোংদাবশিং অদু য়েংলগা লম-তু শেংবগী কেম্প অমা পাঙথোক্লবা নাকল অনীগী ওথোরিটিনা হন্দক্তা ৱারী শানখিবনি। য়ানবা অমগী মখাদা নাকল অনীমক্কী মীয়াম য়াওরগা ঙসি অমোৎ-অকায় শেংবগী থবক অদু অয়ুক্কী পুং ৭ তাবদগী হৌখিবনি। লম-তু শেংবদুদা ম্যান্মার ওথোরিটিনা জে সী বি অমা পুরক্তুনা মতেং পাংখি হায়রি।

লম-তু শেংদোকপদুদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং মোরে পুলিসগী এস দি পি ও লোরেন্স, মোরে পুলিস ষ্টেসন সেকেন্দ ও সী অকবর হুসেন, ১১-অসাম রাইফলস সী ও, আর এস রৱাট, এ দি সী বঙ্কিম সিংহ মোরে অমসুং মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনস মীতৈ কাউন্সীল মোরে, ওল কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে, হিল ট্রাইবেল কাউন্সীল মোরে, গোর্খা সমাজ সমিটি মোরে, টামিল সঙ্গম মোরে, মরিপুরী মুস্লিম কাউন্সীল মোরেগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। ম্যান্মারগী মায়কৈদগী তমু দি সী মিন্ত থিন পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়া অমসুং নম্ফালোং মার্কেট কম্যুনিটিগী প্রসিদেন্ট ৱিন মিন্ত ভাইস প্রসিদেন্ট অর্জুন ধাহেতকী কাঙবু অমসুং অতৈ সিবিল ওর্গনাইজেসন কয়াসু শরুক য়াখি। ১১-এ আর মোরে অমসুং ম্যান্মার আর্মি কাঙবুনা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাক অনীগী মীওই কয়াদা ব্রেক ফাষ্ট পীজখি হায়রি।

## এম এল এ ২০ দিসক্কালিফাই ...

*লামায় ১গী মখা...* ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ, কে রোবিন্দ্রো (এদ্যুকেসন, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস); য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ সত্যব্রত্ত (ফাইনান্স, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি); সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গো (আর দি এন্দ পি আর); জীরিবাম এ সীগী এম এল এ অসবউদ্দিন (এম ও বি সী, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ); চিংঙাই এ সীগী এম এল এ খাসিম ভাসুম (ট্রান্সপোর্ট, প্লানিং); ফুংয়ার এ সীগী এম এল এ, কে লৈসিও (পি ঐচ ঈ দি, প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরি, হোর্টিকলচর); তামৈ এ সীগী এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাই (এম আই, কাদা, এগ্রীকলচর, পি দব্লিয়ু দি) অমসুং কোন্থৌজম এ সীগী এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জন (টুরিজম, আই টি)নি।

# অহানবা রাইজোম ফেষ্টিবেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) :

মিসন ইন্তিগ্রেটেদ ফোর দিভলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর (এম আই দি ঐচ), হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনগী স্পোন্সর মখাদা রুরেল আজিলিয়ারি ফোর পিপলস এক্সন লমদিংনা ষ্টেট অয়ুশ সোসাইটি, দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশকা খুৎশম্ননা শীন্দুনা তেকচম মনিং চীংদা লৈবা নীংতম ইঙ্খোলদা নুমিৎ ৩নি চুপ্পা চত্থরকখিবা অহানবা রিজোম ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিনখ্রে।

মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী শীজিন্নদুনা লাকপা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্বা মরু-মনাও তাবা লৈনুংগী পোথোকশিং য়োকখৎনবগী পান্দমদা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকখিবনি। ফেষ্টিবেল অসি লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাঙ্খেম এ সীগী এম এল এ, কে মেঘচন্দ্র; খাঙবোক এ সীগী এম এল এ, ও সুর্জকুমার; মণিপুর পুলিসকী দি আই জি দ্বিজমণি; দি এফ ও থৌবাল আর কে অমর্জিৎ; আই আর ঈ গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসনগী প্রিন্সিপাল অমদি ফিল্ম এক্টর আর কে সোমেন্দ্রোনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ফেষ্টিবেল অদুদা মরুওইনা মণিপুরদা ফংবা পোথোকশিং কাংহু, য়াই অমুবা, য়াই অঙৌবা, হা, খুৎচপ্পী, তেখাউ য়াইখু, উরি মোইনম্বী, পুলৈ মানবী, য়াইঙং, শীং, থম্বৌ, মঙ্গ্রা, পান অমসুং কৌখানচিংবা পোথোকশিং ষ্টোলশিং হাংদুনা উৎখি। পোথোকশিং অসিগী কান্নবসু মীয়ামদা খঙহনখি।

ফেষ্টিবেল অসিনা লৌমীশিংবু পূক্লিং থৌগত্তুনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা উপাল-ৱাপালশিং য়োকখৎহন্নিংবগী অপাম্বা অমদি টুরিষ্টশিংবু পূক্লিং চিংশিনবা ঙম্বা বোটানিকেল পার্ক অমা শেমগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুগী অখন্নবা মীথুংলেনগী ৱাখল্লোন্দা এম এল এ সুর্জকুমারনা মণিপুরগী মমল নাইদ্রবা পান্বীশিং অসিবু য়োকখৎনবগীদমক মীয়াম্না ফোঙদোক্লখিবা বোটানিকেল পার্ক অমা শেমগৎনবগী ৱাফম এসেমব্লিদা পুথোক্লনি হায়না ফোঙদোকখি।

নুমিৎ ৩নি চত্থরকপা ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা কলচরেল কমপ্লেক্স অমা থমদুনা তোঙান তোঙানবা ইথনিক কম্যুনিটিশিংগী কলচরেল এক্টিভিটিশিং উৎখি। স্কুল কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংগীদমক পেন্তিং কম্পিটিসন, স্পিচ কম্পিটিসন, ক্যুজ কম্পিটিসন্নচিংবা কয়াসু পাঙথোকখি।

মণিপুরী সোলো দান্স কম্পিটিসন্দা নিংঙোম্বম ধনপতি, সাপম মনিং লৈকায়; সৌগ্রাকপম অনুপামা, খোংজোম মনিং লৈকায়; সঞ্জু সগোলশেম, থৌবাল হাওখা; হৈক্রুজম কমলা, সাপম মনিং লৈকায়; লিম্থোইঙানবী, সাপম মনিং লৈকায় অমসুং সনসম ইচন, তেকচম মনিং চীংনা অহানবদগী তরুকশুবা ফাওবা তাখি।

পেন্তিং কম্পিটিসন্দা লাইখুরাম লনচেনবা, সনা ইঙ্খোল; লাংপোক্লাকপম য়াইফবা, তেকচম কৈথেল; রোসনি সাপম, খোংজোম; সরুংবম রোসনি, সাপম লাইবুং; দেনিএল খুন্দোংবম, তেকচম ময়াই লৈকায় অমসুং বেবিনা সোইবম, তেকচম মনিং লৈকায়না অহানবদগী তরুকশুবা ফাওবা তাখি।

ক্যুজ এইনা সাপম, সনাপম ময়াই লৈকায়; চিংথাম দাইনা, সাপম মনিং লৈকায়; থিঙুজম কর্নজিৎ, সাপম মনিং লৈকায়; রেনেদি, তেকচম ময়াই লৈকায়; চিংথাম অলেকজেন্দর, সাপম মনিং লৈকায় অমসুং দিপক খুন্দাংপম তেকচম ময়াই লৈকায়না অহানবদগী তরুকশুবা ফাওবা তাখি।

# চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্টর অমদি এফ পি এস এজেন্টকী থৌওং কন্দেম তৌই : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) :

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চেঙ ফংহন্দবা থৌওং অসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ট্রান্সপোর্টর, কন্ট্রেক্টর অমদি এফ পি এস এজেন্টশিংবু কন্দেম তৌই হায়না নাগা চীফ এসোসিএসন চান্দেল (এন সী এ সী)গী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগীদমক পীরকপা চেঙ য়োন্থোকপদা চেন্নবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌগদবনি। ট্রান্সপোর্টর, কন্ট্রেক্টর অমদি এফ পি এস এজেন্টশিংবু কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওইশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা এক্সন লৌখৎকদবনি। কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবরদগী নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী চেঙ অসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা ফংদবগী ফীভম লৈরি। এন সী এ সীগী মায়কৈদগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার চান্দেলদা অইবা ৱাকৎ চেরোল অমসু পীশিনবা লৈখ্রে।

নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা ফংফম থোকপা চেঙ য়েনবদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চাং নাইদবা কয়া অসিগী মতাংদা দি সীদা ৱাকৎখিবনি। নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী চৎন-কাঙলোনগী মখাদা এফ পি এস এজেন্ট অমদি ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্টরশিং কাঙলোন চুম্না খনগদবনি। পোলিটিকেল ইনফ্লোয়েন্স য়াওনা এফ পি এস এজেন্ট খনবগী ফীভম অসি য়ারোই। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা চেঙ চাং নাইনা ফংদবগী অসিগুম্বা কয়া অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি। দি সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মথক্তা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট চাউখৎহন্নবা শেনফম হাপকদবনি, দিমান্দ পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) :

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট চাউখৎহন্নবা তোঙানবা শেনফম হাপকদবনি। পোইন্ট তরুক্কী দিমান্দ থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কুকি চীফ এসোসিএসন তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি সৈখোজাং বাইতেনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সাইখোজাং বাইতেনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মমাঙদা লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেসনা তেংনৌপল সব-দিভিজনবু মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট ওইনা লাউথোক্লম্লে। মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা নীংথিনা থবক তৌহন্নবা হন্দক্কী বজেট মীফমদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট চাউখৎহন্নবা তোঙানবা শেনফম হাপকদবনি।

লৈঙাক্তা এসোসিএসন্না দিমান্দ তরুক থল্লি। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কার্টরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎনবা বজেটতা য়াওহনবগা লোয়ননা দি সী অমসুং এস পিগী এদমিনিষ্ট্রেটিব বিল্ডিং শাগদবনি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, ষ্টেদিয়ম, সেসন্স কোর্ট, সী এম ও, দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসার, জেদ ঈ ও, পাৱর, পি দব্লিয়ু দি, ভেটিরিনরি, সোসল ৱেলফ্যের, দি আই সী, ট্রান্সপোর্ট ওফিসনচিংবা শেমগৎকদবনি। আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা তেংনৌপল সংসট রোদ শেম্বা অমসুং মোরে টাউনগা শম্নবা লম্বী শেম্বগী ৱাফম পায়খৎকদবনি।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কার্টর অমসুং নক্লবা লম্বীশিং টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন ওইনা লাউথোকপা অমদি শেমজিনবা, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা ওর্গানিক ফার্মিং অমসুং মীথুন য়োকপগী থবক অথুবা মতমদা পায়খৎপা, আইমোল/মোলনোই অমসুং সিতা সব-দেপ্যুটি কলেক্টর সার্কল থুনা শেম্বনি। দিমান্দশিং অসি অথুবা মতমদা থবক ওইনা ওন্থোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী তাংদাংবা খঙহল্লু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) :

খুমন লম্পাক আই এস বি টিগী মনাক্তা নুপী কৈথেল শাগনি হায়না লৈঙাক্লা হায়খিবশিং অদু অথুবা মতমদা খঙহন্দ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না খুমন লম্পাক আই এস বি টি মনাক্তা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী ইমা পান্থোইবী ষ্ট্রিট ভেন্দর য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি এন জি প্রেমাবতিনা হায়খি, আই এস বি টিগী মনাক্তা ষ্ট্রিট ভেন্দর ওইনা ফল্লিবশিং অসিগী পোৎফমশিং ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা পুলিস লাক্তুনা শিদোকখ্রে। অমুক হন্না ফম্বা তারবদি খুদোংচারোই হায়না কিহল্লম্বা কয়া অসিসু য়াবা ঙল্লোই। অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা কৈথেল শাগনি নৎত্রগা শারোই হায়বসি খঙহনগদবনি।

চীং-তমগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনরিবা মফম অমসুনি। মফম অসিদা অচৌ-অশাং লাকপা মতমদসু ষ্ট্রিট ভেন্দর ওইনা লৈরিবশিং হেক্তা তান্থোকপী। কৈথেল শানবগীদমক কুমজা ২০১১দগী হায়জদুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখ্রবনি। কৈথেল শাগনি হায়না মমাঙগী লৈঙাক্লা থাজবা পীদুনা লাকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনসু মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী মীওই থারক্তুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা কৈথেল শাফম য়েংখি। লাইবক থীবদি কৈথেল শাদ্রিঙৈগী মরক অসিদা কৈথেল ফল্লিবশিংবু ঙাইহাক লৈতনা পুলিসনা অমদি আই এম সীগী কাঙবুনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু ওৎ-নৈবগী মওং চত্থবসি নুংঙাইতে। মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা কৈথেল শাগনি নৎত্রগা শারোই হায়বা খঙহনবীয়ু। খঙহন্দবা তারবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।